# যুসিএম অমদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিগা ৱারী শান্নখ্রে নুমিৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা ফিরেপ অমা লাওথোক্লগনি

-দিমান্দ কম্মিটি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ঃ* যুসিএম অমদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিগা ঙসি নুংথিল কাংপোকপীদা ৱারী শন্নখ্রে। সদর হিলসকী মনুং চন্না লৈবা খুল খুলশিংগী নিংথৌ, পিপল রিপ্রজেন্টেটিভ ময়াম অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন লিদর ময়ামগা লোয়ননা খন্নরগা নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা করিগুম্বা ফিরেপ অমা লাওথোক্লগনি হায়রি।

ঙসি যুসিএমগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা টিম অমা চৎতুনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঙমখোহাও হাওকিপ, জেনরেল সেক্রেটরি তোংহেন কিপগেন, স্পোক্সপার্সন শৈথাং হাওকিপ, ভি পি গোকুল শর্ম্মা অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি লালাল শিটলৌ য়াওনা ৱারী অদু শান্নখি।

ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুং যুসিএমগী প্রসিদেন্ট যুম্নামচা দিলিপকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট হুদ দিমান্দ কম্মিটিনা সেপরেট দিষ্ট্রিক্ট অমা পীনবা তাল্লিবা দাবী অসিনা মরম ওইরগা হৌখিবা আগষ্ট অমদগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ চখদুনা প্রজা মীয়ামদা ৱারিবা ময়াম অসি য়েংলগা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং অসি যু সি এমনা লৌখৎপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ৱারী শান্নবা অসিগা লোয়ননা যুসিএমগী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল প্রপোজেল লেটর অমসু দিমান্দ কম্মিটিদা পীরমখি। মদুদা পল্লিবদি দিমান্দ অসি মণিপুর মীপুম খুদিংনা খঙনরবা দিমান্দ ওইরে। অমদি যুসিএমনা শিন্দুনা হৌখিবা আগষ্ট ২৫ অমসুং ২৬ দা এম দি য়ুদা পাঙথোকখিবা জোইন্ট লিদরস মীটনা লৌখিবা ৱারেপ অদুসু চেয়ারমেন্দা পীরমখি।

জোইন্ট লিদরস মীট অদুদা তাখিবা ৱারেপ মতুংইন্না মণিপুর সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট রি-ওর্গনাইজেসন হায় লেভেল কম্মিটি অমা শেমগদবনি। হায়রিবা কম্মিটি অদুদা রেভিন্যু মিনিষ্টরগী চেয়ারমেন ওইরগা সি এস ও লিদরশিং ইন্টলেকচুয়েল লোয়ননা গভর্নমেন্ট মীহুৎশিং য়াওনা হায় লেভেল দিষ্ট্রিক্ট রি-ওর্গনাইজেসন কম্মিটি অমা শেমগদবনি। অদুগা কম্মিটি অদুনা থা ২ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট মীয়ামদা পুথোক্কদবনি।

লোয়ননা দিমান্দগা মরী লৈননা এন ঐচ দা চংশিল্লক্লিবা ইন্দিফিনিট জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং ফংলে। তম্পাক্তা লৈবা খক্তদা নত্তনা এনঐচগী নাকল অনিদা তারিবা মীয়াম অমসুং সদর হিলস এদিসিগী এরিয়াদা অকনবা চৈথেং নংলে হায়বা ৱাফমসিনা মরম ওইরগা য়ারগদি ষ্ট্রাইক অসি থা ২ রোম মতম পীরগা কোল ওফ নত্রগা য়ানিংদবা লৈরবসু মতম খরা রিলেক্স তৌনবা মণিপুর প্রজাশিংগী মহুৎ শিল্লগা কম্মিটিদা যুসিএমনা প্রপোজেল কম্মিটিদা পীবনি। দিমান্দ তাল্লিবা অসিবুদি অচুম্বনি মীয়াম্নসু য়ানবা ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট হুদ দিমান্দ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঙমখোহাও হাওকিপ্না ফোঙদোরকখিবদা যুসিএমনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট হুদ দিমান্দ কম্মিটিগী মনাক্তা লাক্লগা মণিপুরদা লৈরিবা সি এস ও শিংগী মীটিংগী য়ানবা রিজোলুসন খরা থম্নবা পুরকপা যুসিএমগী কন্সর্ন, মণিপুরসি সোসাইটি ময়ামগী কন্সর্ন লৈ হায়বসি খঙবগা লোয়ননা মণিপুর প্রজা পুম্নমক্তা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকই হায়খি।

মমাংঙৈদদি মসিগুম্বা যুসিএম নত্রগা অতৈ সি এস ও শিংনা শৌগৎপীবা থোক্নমদে। অদুবু তমগী অৱাবা অমনা য়েংশিনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা যুসিএমনা অহানবা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা অসিদা কম্মিটিনা য়াম্না হরাওই অমদি সদর হিলস প্রজাশিংগী মহুৎ শিল্লগা থাগৎলি হায়খি। যুসিএমনা কম্মিটিদা শিন্নরম্লিবা সি এস ও ময়াম্না খন্নরগা তারিবা ৱারেপ অসি কম্মিটিনসু লৌশিনবগা লোয়ননা ৱারেপশিং অদু খন্নরগনি। মণিপুরদা শান্তি লাক্লবা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং লৈতনবা য়াম্না অথুবদা দিসিজন লৌরগনি। হৌজিক মণিপুরগী সি এম না লাওথোকখিবা কম্মিটিনা য়ানিংদে হায়বনিনা খুল খুলগী নিংথৌ, পিপলস রিপ্রজেন্টেটিভ ময়াম সি এস ও লিদর ময়াম কৌরগা নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা করি তৌগনি এজিটেসন করম্বা মওংদা তৌরগা ফগনি হায়বদু দিসিজন অমা লৌরগনি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা দিমান্দ অদুগা মরী লৈননা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবশিং অদুবু যুসিএমগী প্রসিদেন্টনা য়েংশিল্লম্বগা লোয়ননা ৱারী শান্নখি। চারা হেল্লিবশিংগী মায়কৈদগী চারা হেন্দুনা ৱাহনবগী মহুৎতা মণিপুর সরকারনা পুলিস থারক্তুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎহনবীরো হায়নসু পেন্দনা ফোঙদোক্লরকখি।